## স্পোর্টস এসোসিয়েসনশিংনা অনী থোকপগী চৎনবী তোকপীরো ঃ লেটপাও হাওকিপ



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ঃ
দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস না শীন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী মলটিপর্পস ইন্দোর হোল য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস অমদি ৱাটর রিসোসেস মণিপুরগী থৌসু পুরিবা মিন্ষ্টির লেটপাও হাওকিপনা শঙ্গাখ্রে।

মণিপুরগী লৈরিবা স্পোর্টস এসোসিয়েসনশিংনা অনী থোকপগী হৈনবী অসি থাদোক্তুনা হৌরক্লিবা শান্নরোইশিংবু অফবা লম্বীদা পুরক্কবা হোৎনমীন্নসি হায়না থৌরম অসিগী অথোইবা মীথুং লেন ওইখিবা মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা ফোঙদোকখি।

মহাকনা মখা তানা হায়খিবদা শঙ্গারিবা হোল অসি মীয়ামগীনি। মসিবু লুন-নন্না থম্বা হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক্কী থৌদাংনি। মণিপুর অসি স্পোর্টস সিটি ওফ ইনি দয়ানি হায়জরবসু নেসনেল গেমস পাঙথোকপা মতমদা পার্ফোমেন্স হন্থরক্লি। মসি কনগে হায়রবদি লৈরিবা এসোসিয়েসন খুদিংমক্না অনী থোকপগী হৈনবী থাদোকপা, পুনশিনবা হৈবা, অমনা তান্নবা মথৌ তাই।

মীওই খরা পুশিল্লগা এসোসিয়েসন অমা শেম্লগা তোখায় তানিংবা ৱাখল অমা লৈরিবসি য়াওদ্রবদি মণিপুর অসি হেন্না খুমাং চাওশিনবা ঙমগনি। হৌজিক লৈরিবা শান্নবগী মাইওন অসিদা অশুম চৎথ্রবদি স্পোর্টস হায়বসি মণিপুরদগী মুৎথ্রগনি। হৌজিক হৌজিক ফম পায়রিবা এসোসিয়েসন খুদিংমক্না ইশা ইন্টরেষ্ট অমদি ইশাগী কান্নবদা থবক তৌরবদি মণিপুর স্পোর্টসতা হৌরক্লিবা নহারোলশিং অসিবু মাং হনবনি। হৌগৎক্লিবা নহারোলশিংগী পুন্সি শেম্বদা ঐখোয় পুন্না অমত্তা ওইনা শরুক য়ামিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস, মণিপুরগী দাইরেক্টর অর্মষ্ট্রোং পামে (আইএএস) না থৌরম মপু অমদি য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস, মণিপুরগী সেক্রেটরী বোবি ৱাইখোম (আইএএস) না ইকায় খুম্নরবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

## ৪শুবা টিঐচ মজারুন বিবি মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট মোকমলুং এফসি টিমনা সিএসি লোবোখলটিমবু মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ঃ
থা অসিগী তাং ৩ দগী হৌদুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দা টিম ৪ না শরুক য়াদুনা চথরকখিবা ৪শুবা মজারুন বিবি মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মোকমলুং এফসি টিমনা সিএফসি লোবোখল টিমবু গোল ৪-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অসিদা সিএফসি লোবোখল টিম অমদি মোকমলুং এফসি টিম অনীনা শান্নখি। সিএফসি লোবোখল টিমনা তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি। অদুগা মোকমলুং এফসি টিমনা বোল কাওবা হৌখি। টিম অনীমক য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাল্ফ মমাংদা মোকমলুং এফসি টিমগী শান্নরোই থাংলুংনা ২১শুবা মিনটতা গোল অমা চনদুনা একাউন্ট হাংদোকখি। মোকমলুং এফসি টিমনা অহানবা হাল্ফ মমাং দা সিএফসি লোবোখল টিমবু গোল ১-০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু সিএফসি লোবোখল গোল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। মোকমলুং এফসি টিমগী শান্নরোই হুরিনা ৪৪শুবা মিনট অমদি ৫৩শুবা মিনটতা গোল ২ চনখি। অদুগা ইসাকনা ৭১শুবা মিনটতা গোল ১ চনদুনা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মোকমলুং এফসি টিমনা সিএফসি লোবোখল টিমবু গোল ৪-০ দা মায়থিবা পীখি।

রেফরিনা সিএফসি লোবোখল টিমগী শান্নরোই ফিসাবু ৪৮শুবা মিনটতা নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

ঙসিগী মেটচ অসিদা পাইটে, এম অমরজিৎ অমদি ও বিসেশ্বর সিংহ না মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এআর ১, এআর ২ অমদি ফোর্থ রেফরি ওইখি।

## ফার্ষ্ট ইলাংবম পুর্নিমা ভেটরান ৱুমেন কাং টুর্নামেন্ট



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ঃ
জিরিবাম দিষ্ট্রিক্কী বাবুপারাদা লৈবা লমলেন কম্মুনিটি হোল কম কাংশঙ, বাবুপারাদা দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিয়েসন (দিকেএ) জিরিবামনা শীন্দুনা টিম ৫না শরুক য়াদুনা হৌখিবা তাং ১ দগী হৌদুনা চথরক্লিবা ফার্ষ্ট ইলাংবম পুর্নিমা ভেটরান ৱুমেন কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সনামহি, কছার না এলইসি বাবুপারাবু পাঞ্জল ১০-৮ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা এলইসি বাবুপারানা তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি। অদুগা সনামহি কছার টিমনা কাং কাপ্পা হৌখি। ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সনামহি কছার অমদি এলইসি বাবুপারা টিম অনীনা য়াম্না কন্না ফজনা শান্নখি। অদুবু অপীবা মতমদা সনামহি কছারনা এলইসি বাবুপারাবু পাঞ্জল ১০-৮ দা মায়থিবা পীখি।

ঙসি মেটচ অসিদা ও মঙ্গি মৈতৈনা অম্পয়র ওইখি। অদুগা এ ইবোতোননা স্কোর ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেটচ ওইনা থা অসিগী ১৪দা এসএৱাইসি সোরোক অতিংবীগা মহাদেব নিংথেম্বমগা শান্নরগনি।

## ফার্ষ্ট ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ হৌদোকখ্রে




ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ঃ
ককচিং দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেন্নিস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ফার্ষ্ট ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ ঙসিদগী ককচিং চুমনাং লৈকায়দা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়ম ককচিংদা হৌদোকখ্রে।

থা অসিগী ১৪ ফাওবা চথগদৌরিবা টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ অসি হৌদোকপগী থৌরমদা মনিদকো অমসুং মনিত্রোনগী চিয়রমেন ওইরিবা হিয়াংলম কেন্দ্রগী এমএলএ ডাঃ রাধেশ্যাম য়ুম্নামনা চিফ গেষ্ট, ৱাবগাই কেন্দ্রগী এমএলএ এমদি ফজুর রহিমনা প্রসিদেন্ট, ককচিং মুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়রপর্সন নাওরেম সঞ্জিৎকুমার না গেষ্ট ওফ ওন্নর, ককচিং ৱার্দ নম্বর ৪গী কাউন্সিল্লর পুখ্রম্বম সহাহল দেবীনা স্পিসিয়েল গেষ্ট ওইখি। ককচিং মুনিসিপাল কাউন্সিলগী ভাইস চিয়রপর্সন কেএসঐচ ঝলাজিৎ সিংহ, এসপি ককচিং ভিক্টোরিয়া য়েংখোম, অতৈ মীওই কয়াসু দাইস্তা ফমখি।

মণিপুর টেবল টেন্নিস এসোসিয়েসনগী লমজিং মখাদা পাঙথোক্লিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেন্নিস এসোসিয়েসনগী শান্নরোই ৩৯, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেন্নিস এসোসিয়েসনগী শান্নরোই ৩৬, ইম্ফাল ৱেষ্টকী ২৫, ইম্ফাল ইষ্টকী ২৪, এজি গী ৪, এমপিএসসি গী ৪ পুন্না শান্নরোই ১৩২ না কেতেগোরি ২৩ থোক্লা খায়দোক্লগা অথোই অহেন তান্নরি।

## এসিয়ান পেরা গেমস ঃ নুপাগী হায় জম্প টি ৪২ / ৬৩ কেটেগোরিগী মেডল পুন্নমক ইন্দিয়ানা লৌখ্রে



জাকার্টা, ওক্টোবর ১১ঃ
ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্থ ওইদুনা জাকার্টাদা চথরিবা এসিয়ান পেরা গেমস ইভেন্ট অমা ওইরিবা নুপাগী হায় জম্প টি ৪২ / ৬৩ কেটেগোরিগী মেডল পুন্নমক ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা লৌখ্রে।

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সরদ কুমারনা মহাক্কী অনীশুবা গোল্ড মেডল অদু ঙসি পাঙথোকখিবা হায় জম্প টি ৪২ /৬৩ কেটেগোরি ফাইনেলদা লৌখি। ইভেন্ট অসিদা মহাক্না মিটর ১.৯০ চোংদুনা মহাক্কী শান্নবগী অনৌবা রেকোর্দ থম্বা ঙমখি। ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডলসু ইন্দিয়াগী পেরা এথলেট ভারুন ভারটিনা মিনটর ১.৮২ চোংদুনা লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা রিও গোল্ড মেডলিষ্ট থাঙ্গাভেলু মারিয়াপ্পননা মিটর ১.৬৭ চোংদুনা ফঙখি।

পেরা এসিয়ান গেমস অসিগী মনুং চন্না ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ৪০০ টি ৪৫ /৪৬/৪৭ লমজেলদা ইন্দিয়াগী পেরা এথলিট রধা ভেনকাতেসনা ব্রোঞ্জ মেডল ফঙখ্রে।

অমরোমদা গেমস অসিগী স্বিমিংদা ইন্দিয়াগী ব্রোঞ্জ মেডল অমা স্বাপনিল পাটিলনা লৌখ্রে।

নুপাগী মিটর ৪০০গী ফ্রি ষ্টাইল এস ১০ কেটেগোরিদা ব্রোঞ্জ মেডল অদু ইন্দিয়াগী স্বিম্মর স্বাপনিল পাটিলনা লৌখিবনি।

এস ১০ কেটেগোরি অসি উবগী পাঙ্গল ৱাৎপা শান্নরোইশিংগীদমক অখন্ননা শেম্বা ইভেন্টনি।

## মোটোর সাইকল রেসিং অমদি কম্পনিশিং



মোটোর সাইকল রেসিং হায়বসি ইঞ্জিন সাইজ সিসি ৫০, সিসি ৯০, সিসি ১২৫, সিসি ২৫০ অমদি সিসি ৫০০ গী মোটোর সাইকল বাইক্কী গ্রাউন্দ প্রিক্স লমজেল মখল অমনি। হৌজিক্কী মতমদদি সুপ্নগী সিসি ১২৫, সিসি ২৫০ অমদি মোটো জিপি হায়বা মখল অসিতমক গ্রান্দ প্রিক্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা পাঙথোক্লরে। মোটো জিপি হায়বসি মমাংঙৈগী সিসি ৫০০ গী মহুৎশিন্না হাপচিল্লকপনি। গ্রান্দ প্রিক্স বাইকতি লমজেলগীদমক্লিনা মশিং য়ামদনা শাই অদুবু সুপর বাইকতি বাইক লম্বী সোরোক্তসু থৌনবনা মশিং য়াম্না শান্নরে। গ্রান্দ প্রিক্স বাইক অমসুং সুর বাইক শাবা কম্পনি কয়া মালেমগী মফম কয়াদা থোক্লরক্লে। থোরক্লিবা কম্পনিশিংগী বাইকশিং অসি মতম মতমগী মতুং ইন্না মোটোর সাইকল রেসিংদা অদুম্মক চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্মে।

ইং ১৯৮৭ তা এসপ্রিলা মেছিন অমনা সিসি ২৫০ গী বাইক শাদুনা ইহান হান্না মোটোর সাইকল লমজেন্দা মায় পাকখিবগী রেকোর্দ লৈরি। মখোয়না মতম কুইনা সিসি ১২৫ অমদি সিসি ২৫০ ক্লাসতা মকোক থোংদুনতা লৈরম্মী। ইং ২০০০ দসু দুকাটি কম্পনিনা শাবা সুপর বাইকনা ইং ১৯৫০দগী হৌনা গ্রান্দ প্রিক্স রেসিংদা খ্বাইদগী হেন্না মায় পাকপা ম্যেনুফেকচরর কম্পনি ওইখি। মখোয়তা নত্তনা কৱাশাখী বাইকনা ইং ১৯৬৯ দা অহানবা ওইনা সিসি ১২৫ গী ৱার্ল্ড টাইটল লৌবা ঙমখি। মথং মথং কম্পনি অসিনা ক্লাস ৩ মক্তা ৱার্ল্ড টাইটল ৯লক লৌখিবগী পাউ লৈরি। অসিদসু নত্তনা ইং ১৯৯৩ দসু সুপর বাইক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখি।

মথং মথং মালেমগী অফাওবা কম্পনিশিংনা রেসিং বাইক শান্নরক্তুনা মোটোর সাইকল রেসিংদা ইনোৎ হাপ্পরকখি। মালেমদা মমিং লৈরবা হোন্দা কম্পনিনা মোটোর সাইকল রেসিং বাইক শারক্তুনা ঙসি ফাওবা খ্বাইদগী য়াম্না ৱার্ল্ড টাইটল ফংবা ঙম্বা কম্পনি ওইদুনা লৈরি। মখোয়না গ্রান্দ প্রিক্স টাইটল ৪৬ হেন্না ফংদুনা রেস ৫৮৮ গী মথক্তা মায় পাকপা ঙল্লি। অসিতা নত্তনা হোন্দা কম্পনিনা স্পোন্সর তৌবা সুপর বাইক রেসিং চেম্পিয়ন্সিপসু সিজন খুদিংগী পাঙথোক্লি।

হান্না ফি-রোল শারম্বা সুজুকি কম্পনিসু মোটোর সাইকল শাবরোমদা মায় ওন্সিল্লক্তুনা ইং ১৯৬২ দা ইহান হান্না গ্রান্দ প্রিক্স টাইটল ফংবা ঙমখি। লোয়ননা চহি দুমক্তদা সিসি ৫০ গী টাইটলসু ফংখি। মথং মথং কম্পনি কয়ানা মোটোর বাইক মখল কয়া শান্নরকদগী য়াহমা কম্পনিসু ইং ১৯৫৫ দগী মোটোর সাইকল শাবা হৌরকখি। হান্নদি য়াহমা কম্পনিসি ম্যুজিকেল ইন্সট্রুমেন্টকী কম্পনি ওইরম্বনা ঈশৈ-নোংমাইগী খুৎশু-খুৎলাই শারম্বনি। অসুম্না কম্পনি অসিনা শাবা বাইকনা ইং ১৯৬১ দা পাঙথোকপা ফ্রেঞ্চ গ্রান্দ প্রিক্স টুর্নামেন্টতা শরুক য়াবা হৌরকখি। অদুবু ইং ১৯৬৪ ফাওবদি য়াহমা কম্পনিনা চাং নাইনা কম্পিটিসনদা শরুক য়াখিদে। লোয়ননা চহিদুদা মখোয়না সিসি ২৫০ গী ৱার্ল্ড টাইটল লৌবা ঙমখি।

অসুম্না মালেমগী ইনখৎক্লিবা নহাশিংনা হেক্তা পাম্নবা মোটোর বাইক্কী অথোই-অহেনগী লমজেলসিনা মালেমসিদা বাইক্কী দিমান্দ হেল্লক্তুনা ঙসি ঙসিগী বাইক কম্পনি কয়াদি অচৌবা শেনদানফম ওইদুনা চহি খুদিংগী মশিং খঙদনা অনৌ -অনৌবা বাইক কয়া পুথোক্লরক্লি। লোয়ননা মালেমগী লৈবাক কয়াদা অচৌ অচৌবা মোটোর সাইকল কম্পিটিসন কয়া পাঙথোক্লরি।

...(বি লাই)

## ১৬শুবা কিশ্বকুমার মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ঃ
১৬শুবা কিশ্বকুমার মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচ কেএমএসদব্লিউসি কৈরক অমদি এলৱাইএ ৱাঙ্গু টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবা মেটচতা কেএমএসদব্লিউসি কৈরকনা এলৱাইএ ৱাংঙু বু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা কেএমএসদব্লিউসি কৈরক্কী অমত্তা ঙাইরবা গেল অদু এল সোমেননা ৪২শুবা মিনটতা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচ পিসি লমজাও অমদি এসদব্লিউসি ৱাইখোং টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবা মেটচতা পিসি লমজাওনা এসদব্লিউসি ৱাইখোংবু গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা পিসি লমজাওগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু এম দিসেনা ১৭ শুবা মিনটতা গোল ১, এম সনায়াইমানা ২১ অমদি ২৭শুবা মিনটতা গোল ২ চনখি।

## মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ঃ
থা অসিগী ২৬কী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা ককৱা অসেম লৈকায় কম্মুনিটি হোলদা এমএবিবিএ গী জেনরেল বোদি মীফম পাঙথোক্লগনি।

মীফম অসিদা এমএবিবিএগী এক্স মেম্বরশিং অমদি মেম্বরশিংনা মতম চানা লেংবীরক্তুনা মীফম অসিবু মপুং ফানা শরুক য়াবীয়ু হায়না এসোসিয়েসন অসিগী মাইকৈদগী খঙহল্লক্লি।

## মেনেজর অমদি কোচ খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ঃ
মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২৪ দগী ২৮ ফাওবা ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফার্ষ্ট নোর্থ ইষ্ট ওলেম্পিক গেমস ২০১৮ (মেন এন্দ ৱুমেন) দা ওফিসিয়েট তৌগদবা মেনেজর অমদি কোচশিং খনখ্রে।

খল্লবা মীওশিং অদুদি নুপা টিমগী মেনেজরদা কেএসঐচ ইবোবী সিংহ অমদি কোচতা মোলুং কনসৌৱা কেন্দিদ মারিং নি।

নুপী টিমগী মেনেজরদা টিঐচ কঞ্জুঙাম্বী চনু অমদি কোচতা এস মানিতোম্বী দেবী না হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী এল নাবাচন্দ্র সিংহ না থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ঃ
থা অসিগী ১৪ দগী ৱাইএমদিও ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চন্না লৈবা হৈরাংগোইথোংদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ৩৮শুবা জুনিয়র বোইজ এন্দ ৱুমেন ষ্টেট টুর্নামেন্ট ২০১৮ অদু করিগুম্বা খুদোংচাবা অমদগী মখা তাবা নোটিস থোক্ত্রি ফাওবা য়ৈথোক্লে হায়না ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরী এল বালেশ্বর সিংহনা খঙহল্লক্লি।

## এএফসিনা আই লীগ এসবিআইএ এৱার্দকীদমক নোমিনেট তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ঃ
এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসন (এএফসি) না আই লীগপু এসবিআইএ এৱার্দকী “বেষ্ট দিভলপ্পিং ফুটবোল লীগ ওফ দি ইয়র” কেটেগোরিগীদমক থাগৎপা নোমিনেসন অহুমগী মনুং দা অমা ওইনা সোর্ট লিষ্ট তৌখ্রে।

এসবিআইএ কনফরেন্স নভেম্বরগী ১৯ দগী ২০ ফাওবা বেঙ্কোক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা অদুদা এসবিআইএ এৱার্দ অসি খুৎশিন্নরগনি।

পনবা য়াই এআইএফএফ না মমাংদা এএফসি দিভলপ্পিং মেম্বর এসোসিয়েসন ওফ দি ইয়র এৱার্দ কুমজা ২০১৬ তা অমসুং এএফসি প্রসিদেন্ট রিকগনিসন এৱার্দ ফোর গ্রাসরুট ফুটবোল এৱার্দ কুমজা ২০১৪দা ফঙখি।

## ত্রাইয়েল কপ সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ঃ
লাক্লিবা দিসেম্বরগী তাং ১দগী হৌরগা টিলুপটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল জুনিয়র ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট এথলেটি চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ানবগীদমক ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্কী ত্রাইয়েল কম সেলেক্সন থা অসিগী ১৬ গী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা খুম্পা লম্পা মেন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

ত্রাইয়েল কম সেলেক্সন অসি কাংলুপ অনী থোক্লা লৈগনি। অহানবা কাংলুপ্তা চহি ১৪ মখাগী নুপামচা অমদি নুপীমচা অমসুং অনীশুবা কাংলুপ্তা চহি ১৬ মখাগী নুপামচা অমদি নুপীমচা ওইগনি হায়না এথলেটিক এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরী ইতো তোংৱমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*